থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# থাজগী অতোপ্পা শক্লোন অমা

থা হায়বসি নুমীদাংদা অতিয়াদা থোকপা অরঙবা পোৎশক অমনি। পোৎশক অসি করিনো হায়বা খঙদ্রিঙৈদগী পোৎশক অসিনা মীওইববু ঙাওহল্লম্বা তাই। থা মাবু শৈথাদুনা ইবা ৱারেং-শৈরেং লোন খূদিংমক্কী সাহিত্যদা থেংনদবা লৈতে হায়না থাগী মরমদা ইবা ৱারেং খরদা থেংনখি। করিদইনো খঙদে-ঙসিদি। ঐ থাবু খঙনীং নীংশিংলকই। অদুবু, ইগে খল্লুরিবা পাউদম অসিদি থা কৌবা মালেম (পৃথিবী)দা কোয়না ঊংদুনা লৈরিবা পোৎশক (অর্থকী সেতেল্লাইট, উপগ্রহ) অসিগী মরমদা সাইন্টিষ্টশিংনা চহী কয়া চঙনা থিজিন হুমজিন তৌদুনা খোমজিনখ্রবা ইনফোর্মেসন ময়ামদু নত্তে। মদুগী মতাংদদি ঐহাক কূপ্না পারুবসু লৈজদে। খঙনীংবা/থিনীংবগী অপাম্বসু লৈখিদে। ঙসি ঐনা ইগে খঞ্জরুবসিদি পুন্সিসিদা থেংনরকখিবা এক্সপরিয়েন্স অমদি পারুবা/তারুবা লাইরিকশিংদগী পূক্লিংসিদা তুংদুনা লৈহৌবা খরদু তম্লিংলক্তুনা ইরিবনি।

মীওইবগী পূক্লিং (মাইন্দ) হায়বসিসু অঙকপনি। কনানসু ইনশিল্লুবা তৌদনা মতম চুপ্পদা মথৌ তৌদুনা মরৈবা। পূক্লিং হায়বসিগা ৱাখল হায়বসিগা অনী অসি থাদোক্লবা য়াদ্রবা পূংবা (জুরা) নি। অমা লৈত্রবদি অমা লৈবা য়াদবা ! অচুম্বা/অশেঙবা হায়বদু সূপওই ওইররোইদবা, মতম চুপ্পদা মঙ/মঙলান ওইরগদবা পূক্লিং-ৱাখল হায়বসি মীওইবনা থাদোকপসু সূপঙম ঙমদে। 'হৌখ্রবা মতম' অমদি 'লাক্কদবা মতম' (পাষ্ট এন্দ প্রজেন্ত) হায়বা অসি সূপলৈ লৈতবা, ঐখোয়গী পূক্লিং-ৱাখলদতা লৈবা মতমগী শক্লোন অমনি। পুন্সি হায়বসিদি হৌজিক কৌবা 'মতম'সিখক্তনা শেম্বনি। হৌজিক'সিদি অশেঙবনি, ঙসাই নৎত্রগা হোরেন হায়বদুনা মঙলান'নি। অদুবু পূক্লিংগী মতিক-ময়াই অঙকপনি! মঙলান অসি য়াওদনা 'মীওইবগী পুন্সি'- মশক মচু থোক্ত্রবা শক্তম অমগুম খনহল্লি। হৌজিক হায়বা মতমসিগা শাগোন্ননা লৈবা ঙমদবা পূক্লিং'সিনা খল্লি- 'ঙরাং' কৌবা শিখ্রবা/লোইখ্রবা মতম অদুগা, 'হয়েং' কৌবা পোক্ত্রিবা/লাক্ত্রিবা মতম অনীসিনা পুল্লগা শেম্মী 'ঙসি' কৌবা মতম অমা। অদুবু, তশেংবদি 'ঙসি' কৌবা মতম অদু হেক থুংলবা মীকুপ্তা 'পূক্লিং' মাদি চেনখ্রবনি। পূক্লিং'না নীংখিবশিংদু অমত্তা নত্তে হৌজিক/ঙসি কৌবা মতমসিদা পুন্সিনা পীরক্কদৌরিবশিং অদুদি।

অসুম্না, পুন্সিবু মাঙহল্লিবা, ওইদবা মঙলান কয়া শাগৎহল্লম্লিবা পোৎশকশিংদুগী মনুংদা 'থা'সু অমা ওইরম্লে। পলেমগী শিয়োমনুংদগী তাইবংসিদা লাক্তুনা, পুন্সি শক্তম-লাকপদা পলেম মানসু মচাবু মনমদা পোদুনা, মতমপাক্তা শুমখ্রিঙৈ 'থা থা থাবুংতোন, নচা মোরাম্বী পোবীগে' হায়দুনা নাউশুম ঈশৈ শক্তুনা, মঙলৈবাক্তা থিনবগী হৈনবী অমা শেম্লকখি। 'নোংইন' কৌবা নুংশাগী মৈশাদা পাইবা ঙমজদবা উচেক মচা অমনা 'থাবল'দা পাইদুনা শান্নজবদু উরগা মীওইবগী পূক্লিং'না শেমগৎলি- 'থাজ-নোংইন অনীগী নুংশি ৱারী'। নোর্মেল ওইরম্বা পূক্লিংনা এবনোর্মেল ওইরকপগী অহানবা খোঙথাংনি- 'থা'বু 'থাজ' মিংথোল পীরকপা। নোংইন'না কোইপাই পাইজবা, লাইফকী এক্টিভিটি (পুন্সি শিন্থা) অমা পাঙথোকচবদুবু হৌখ্রবা মতমগী নীংশিংবা মরক্তা লৈরগা, মশাগী পুন্সি শিন্থা কাউরক্লবা মীওইবনা মানা পামজবা/নীংজবা কনাগী ৱাখলদা তাউবদুগা পান্দম্নদুনা চোইরোন লোল্লি, শৈরেং ই, ঈশৈ শকই। অসুম্না, থা-থাজ-থাবল মীওইববু মঙ মঙহন্নবগী, ৱাখলগী তাইবংদা তাউনবগী অচৌবা মরম ওইরকই। অঙাওবা, নৎত্রগা, ৱাখল মীমান্নদবা/চোইরোন লোনবা অনাবা মখল অসি হৌরকপদা থাগী অচৌবা থৌদাং অমা লৈরমগনি। মরু ওইনা, তরং তরং থোক্লম্বা থাজ'না মশক উখিদবা মতমদা। অদু নৎলমদ্রবদবু, 'থাশি-থানৌ হৌবা' হায়বা মীওইবগী মীমান্নদবা মচৎ অমগী মমিং করম্না থোল্লমগনি।

থা'না মীবু ঙাওহনবদা অচৌবা থৌদাং অমা য়াই হায়বসি হেক্তা হায়জিনবা নত্তেকো। মালেম পুম্ববু খুদুম চনগে থৌরাংলম্বা, খ্বাইদই চাউখৎপা মীওই ফুরুপ অমনি হায়নরিবা 'ইংলিস-জাতি'/বৃটিশ অমদি নোংচুপলোমগী খুন্নাইদসু লৈরমগনি হায়বসি মখোয়গী লোন/ৱাহৈ অমনা তাকই। থা হায়বা অতিয়াদা তাউবা পোৎশকসিগা মরী লৈনবা পোৎশিংবু মশক তাকপদা 'লুনার' হায়বা ৱাহৈ অমা শীজিন্নৈ। থা অমদি পৃথিবী অনীগী খোঙচৎকা মরী লৈননা শেমগৎপা থাপালোন/ক্যালেন্দর অদুবু মখোয়না কৌই 'লুনার ক্যালেন্দর'। অদুগা ৱাখল শোইরোম্বা/চোইরোন লোনবা/ঙাওচৎনবা মী অদুবুনা কৌই 'লুনাতিক ওইরবা মী'। ঐ মখোয়গী, ইংলিস লোনগী হৌরকফম নৈনবা মীশক অমদি নৎচদে। 'লুনাতিক' হায়বা ৱাহৈসিগী 'হৌরকলোন'দুসু পারুদে। ঐখোয়গী 'থাশি-থানৌ হৌবা' হায়বা ৱাহৈ-ৱাপা (ফ্রেজ) অসিগী ইংরাজি ৱাহন্থোক করি ওইরমগদগে খল্লকপদা 'লুনাতিক' হায়বা ৱাহৈ অসি নীংশিংলকপনি। অদুদগী কদোমদইনো-থা-থাজ-থাবলগী ৱারীগা মরী মরী শমজিন্নখ্রে। খঙদবদই খল্লকপা ওইরম্বসু য়াই। অখঙবা কনানা তাকপীরক্লবদি নুংঙাইজগনি।

থা-থাজ-থাবল'দা অতোপ্পা মীৎয়েংদা য়েংবীবা কনা য়াওরম্লবসু ৱারৌনগুমসি। মঙগী হৌরকফম পূক্লিং'না ওইরম্বা, থাবলগী ৱারীসু পূক্লিংসিনা শাগৎলম্বদুদা থাগী অতোপ্পা শক্লোন অমা লৈবরা? থিনীংলুবনি পূক্লিংনা।

লৌশিং পুক্কে

# নীংথম থাগী মতমদা লূপৌ

## কা হেন্না লৈবদগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বা খঙমিন্নসি

নীংথম থা চঙলকপা মতমদা মীপুম খূদিংমক্কী উনসাগী মওং মতৌ মান্নদবনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা মখলগী নুংঙাইতবশিং ঐখোয়না য়াম্না তোয়না থেংনরি। নীংথম থা চঙলকপা মতমদা ঐখোয়গী উনসা কা হেন্না কংশিল্লকপদগী চেখায়বা অমদি হকচাংদা থেংনবা নুংঙাইতবা থৌওং কয়াগী মতাংদা মমাঙদা ফোঙখিবা তাঙ্ককশিংদা ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নখ্রে। হায়রিবশিং অদু নত্তবা ঐখোয়না য়াম্না তোয়না থেংনবা তৌবতবু কা হেন্না খঞ্জিল্লুদবা নুংঙাইতবা অমা হায়রগদি কোকতা লূপৌ থাংবা অসিনি। কোকতা লূপৌ থাংবনা মরম ওইরগা কা হেন্না হাক্কৎচবা অমদি হাক্কৎচবা অদুবু ফনবগীদমক হোৎলুরবা মতমদা অঙৌ-অঙৌবা মপাকশিং কেল্লকপগী থৌদোক খূদিংমক্লা থেংনরম্লগনি। মী য়াম্না তীনবা তরু-তনানবা থৌদোকশিং শরুক য়াবা মতমদা লূপৌ থাংবা মীওই অমনা মশা মতোমতা নুংঙাইজদবা কয়া শোয়দনমক্কী ফাওরমগনি। মরমদি মফি-মরোল অমদি হকচাং নান্না চৎলবসু লূপৌ লৈবা মীওই অমগী ওইনদি মহাক্লা লিৎলিবা ফুরিৎ অদুগী মথক্তা অঙৌ-অঙৌবা মকুপশিং শোয়দনা পকপা মীয়াম্না উগনি। মদু থোক্তনবা হোৎনবদা লূপৌ লৈবা মীওইশিংনা অতাঙবা মখলগী সম্পুশিং অমদি হিদাক লৈদুনা শীজিন্নরি। কৈথেলদা মরাং কায়না য়োল্লিবা হিদাকশিং অসি শীজিন্নবনা লূপৌ ফহনবা ঙম্মী হায়বসি অয়াম্বনা য়ানরবা ৱাফম অমনি। অদুম ওইনমক কনাগুম্বা লৈজদবা মীওই খরগী ওইনদি অতাঙবা মখলগী সম্পুশিং নৎত্রগা হিদাক লৈদুনা শীজিন্ননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মদুনা মরম ওইরগা ঐখোয়না য়ুমদা শেমজবা লূপৌ ফহনবা ঙম্বা মচল অমগী মতাংদা পুন্না খঙমিন্নসি।

অয়ুর্বেদ এক্সপার্ট ডা. দিক্সা ভাবসর সভালিয়াগী রিপোর্ট মতুংইন্না লূপৌ অসি মালাসেজিয়া গ্লোবোসা কৌবা ফঙ্গস মখল অমনা থোকহনবনি। মসিনা ঐখোয়গী শমখোঙদগী থোক্লকপা থাউশিং অদুবু মাঙহনবগা লোয়ননা উনসাদা নুংঙাইতবা কয়া থোকহল্লি। মদুনা তপ্না তপ্না শমখোঙগী অকোয়বদা লৈরিবা উনসাগী শরুকশিং কংশিল্লকপগা লোয়ননা হাক্কৎচবা হৌরক্কনি। মসিদগী ঙাকথোক্লবা অচম্বা পাম্বৈশিংগী মনুংদা অরাইবা অমা হায়রগদি ঐখোয়না য়ুমদা শেম্বা লূপৌ ফহনবা ঙম্বা মচল অমা শীজিন্নবনি। হায়রিবা মচল অসি চয়োল অমদা অনীরক শীজিন্নগদবনি। হাপ্তা অহুম লেপ্তুনা শীজিন্নবনা খ্বাইদগী হেন্না কান্নগনি। লূপৌ ফহনবা ঙম্বা মচল অসি শেম্বদা চঙলিবশিং অদুদি শঙ্গোম মপাল চামচ অমা, কারি লিফ মনা ৫দগী ৭ ফাওবা (তকখায়বা ওইগদবা) অমদি ইঞ্চি অনীরোম শাংবা শিং (তকখায়বা ওইগদবা) হায়রিবা মচল অহুম অসি পুন্না য়ানশিন্নরবা মতুং অফবা পাত্র অমদা পুং ১.৩০ রোম থমগদবনি। মদুগী মতুং ঐখোয়না শমখোঙ য়ৌনবা হায়রিবা মচল অসি তৈগদবনি। মচল অসি তৈরবা মতুং মিনিট ৩০ লৈরগা অয়ুর্বেদিক সম্পু অমনা অফবা ঈশিং শীজিন্নরগা য়াম্না শেংনা চামথোক্কদবনি। হায়রিবা থৌওং অসি চাং নাইনা পাঙথোকপা ঙম্লবদি শোয়দনমক্কী লূপৌ ফহনবা ঙমগনি।



ঐখোয়না মচল অসি শেম্নবা হোৎনবদা ফ্রেস ওইবা কারি লিফ অমসুং শিং ফংদ্রবদি কৈথেলদা থোক্লিবা কারি লিফ পাউদর অমদি শিংগী পাউদরশিং শীজিন্নরবসু অকায়বা লৈতে। য়ুমদা ইরায় লায়না ফংবা মচাকশিং অসিনা পুনশিল্লগা শেম্বা মচল অসিনা লূপৌ খক্তা নত্তনা শমগী মপাঙ্গল অমদি মশক ফজহনবদসু চাউনা মতেং পাংই। মরমদি মচল অসি শেম্বা মতমদা য়াওরিবা শঙ্গোম মপালদা এন্টি ইমফ্লেমেটরি কয়া য়াওরি। শম্না হায়রবদা মচাক অহুম অসি পুনশিল্লগা শেম্লিবা মচল অসি শমগী ওইনদি নেচরেল কন্দিসনর অমনি হায়রি।

অমরোমদা, লূপৌ কা হেন্না লৈরকপনা কোক্তা হাক্কৎচবা থোকহনবদা নত্তনা শম কেনবগী চাংসু য়াম্না হেলহল্লি। হাক্কৎচবনা মরম ওইরগা ঐখোয়না শমজেৎ পায়দুনা অকংবা উনসাশিং অদুবু লৌথোক্লবা শমজেৎ শীজিন্নদুনা কন্না হোৎপগী চৎনবী অমা উরি। মদুনা মরম ওইরগা শম কেনবগী চাং হেনগৎহল্লক্লি। শঙ্গোম মপাল, কারি লিফ অমসুং শিংগী অপূনবা মচল অসিনা লূপৌ ফহনবা ঙম্বগী মরুওইবা মরমদি শঙ্গোল মপালদা প্রোটিন মরাং কায়না য়াওই অমদি মসিনা ঐখোয়গী কোক্তা হৌরিবা শমনা মপাঙ্গল কলহনবদা চাউনা মতেং পাংশিল্লি। কারি লিফতা এন্টি ফঙ্গেল প্রোপর্টিশিং য়াওই। অদুগা শিংদনা এন্টি ইমফ্লেমেটরি, এন্টিসেপ্টিক অমসুং এন্টি বেক্টিরিয়েল প্রোপর্টিশিং য়াওবননি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাকক্কী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# বাবু কৈথেলগা নক্লনা লৈরিবা মেদিয়নগী ফীভমশিং য়েংশিনখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : নেসনল হায়ৱে ১০২ ট্রান্স এসিয়ন হায়ৱেগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোংদগী ৱাংজিং ফাওবগী মরক্তা লম্বী পাকথোরকপগা ঈরোয়ননা মফম কয়াদা এক্সিদেন্ট তোয়না থোক্লিবা অসিগা মরী লৈননা ঙসিসু বাবু কৈথেল (বাবু বজার)গা নক্লনা লৈরিবা মফমশিংদা লোকেল এম এল এসু ওইরিবা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র, দি সী থৌবাল এ সুভাশ, এস পি থৌবাল জোগেসচন্দ্র হাওবিজম অমদি এন ঐচ আই দি সী এলগী মীহুৎশিংনা মফম অদুগী মীয়ামগা লোয়ননা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা বাবু কৈথেলগা নক্লনা লৈবা হায়ৱেগী দ্রেন মথক্তা পোৎফম ফমজিল্লম্বশিং অমদি দুকান শাজিনবা কয়াসু থুগায়খ্রে। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এম এল এ মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, বাবু কৈথেল মমাঙদা শেমগৎলিবা মেদিয়ন অসি কৈথেল অসিগী মনিংলোমদা লৈরিবা খুলশিংনা থোরকপা মতমদা চপ চানা মায়োক্লনা লৈবা হায়বদি লম্বী অসি লাম্থোক্লবা হোৎনবদা দিগ্রী ৯০দা ক্রোসিং তৌবা ওইবনা এক্সিদেন্টগী থৌদোক অসি তোয়না থোকপা ওইগনি হায়না মীয়াম্না খন্নবগা লোয়ননা মফম অসিদা হৌজিক লৈরিবা মেদিয়ন টর্নিং লেন অসি খরা চৎথোক্লগা থম্নবা লেপ্পরে। ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকা তান্নদুনা বাবু কৈথেলগী এরিয়া অসিদা ফ্লদ লাইট অমসু থানবা হায়নসু মীয়াম পুন্না ৱারেপ্পরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা দি সী থৌবাল অহন্থেম সুভাশনা হায়খি, হন্দক মরক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম কয়াদা এক্সিদেন্ট থোকপগী পাউ তারিবা অমদি ঙরাংমকসু বাবু কৈথেলগী মেদিয়ন অসিদা এক্তিভা তোংদুনা লাকপী নোংথোম্ব সন্দেশ্বরি কৌবী নুপীমচা অমসু কার অমনা থোমদুনা লৈখিদবগা মরী লৈননা ঙসি মফম অসিদা য়েংশিনবগী থবক অসি চথবনি। খুল-খুলদগী থোরক্লিবা লম্বীশিং অসিগা মায়োক্লনা লৈরিবা মেদিয়ন টর্নিং লেনশিং অসি থিংজিন্দুনা মফম অদুদগী মিটর ৫০ রোম লাপথোক্লা অতোপ্পা মফম অমদা নৌনা শেম্নবসু খন্নরে। লম্বী অসিদা থৌরক্কদবা গাড়ীশিং অসি স্পিদ য়াম্না কন্না কন্না থৌরক্কদবা মরম্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি এন ঐচ আই দি সী এলনা ট্রান্স এসিয়ন হায়ৱে অসিদা মেদিয়ন শেমগৎপগী কন্না চথরিবা থবক অসি মীয়ামগীদমক্তনি। মসিদা থুগায় য়ৈখায়বা তৌবীগনু। মসিদা মীয়াম্না মতেং ওইনা পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্লা আপীল তৌখি।

# মীফম পাঙথোক্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : ইখঙ খঙহৌদনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী রিটায়র্দ সেক্রেটরি আর কে চিংলেনস্নানা ঙরাং লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়ন (এম এস এস য়ু)গী হেদ ক্বার্টর শীংজমৈদা কাউন্সীলগী মীটিং পাঙথোক্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না এম এস এস য়ুগী এসিষ্টেন্ট ষ্টেট কম্মিস্নার ৱাই সুরেশকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা আর কে চিংলেনস্না হিংলিঙৈ মতমদা স্কাউটিংগীদমক চহী ৪০ রোম শীংথানিংঙ্গই ওইবা থবক তৌরমখিবা মীশক অমনি। মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫।১১।২০২২ ইং, ইরাই;
পোইনুগী নিনি পানবা।

মেষ: অশাওবনা মাঙজগনি, মরম চাদনা খুৎ চাওগনু, নীংবদুমক ওইথোক্কনি খনগনু। মীনা থাগৎপী, থবক পাঙই, পল্লম্বা লন ফংবা য়াবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: মশক খঙদবদগী খরা চেকশিল্লু। নীংবা মপাদি চাবা, অফা-অপুন/য়েৎনবগী থবক্তা মায় পাকপা, লল্লোন ইতিক্তা য়াম্না কান্নবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থোইনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: নচাক নরল চাওখৎপা, অনৌবা আশাগা লোয়ননা পাঙবা থবক মায় পাকচবা, মীকোক থোংবসু ঙম্বা নুমিৎনি। মীয়াম্না য়ানবদি চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

কর্কট: অফবা থবক পাঙগনি, লন তানশিনবা ঙমগনি, অকিবা লৈতনা হোৎনরদি মীকোক থোংগনি। নোল্লুক্লদি চৎলু নৎত্রদি অচানবা কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

সিংহ: অনৌবা থৌ পাঙবদা ৱাখল নীংথিনা খন্থদ্রদি মীনা উশিৎপা ৱাৎকনি। হৈ-শিংলগনা অরং-অরাক ফংগনি, কান্নবা মরম য়াম্না লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাঙনখিনু-মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: লৌশিং ফুদোক্লা থৌপাঙবা ঙমগনি, কান্নবা মহৈ ফংজগনি। ঙাংথোকপদা মীনা তানিংগনি, তুংগী থৌরম য়াৎপসু হৈ। য়েৎনবদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: মীয়ামগী মতেং হান্নগুম ফংগনি, নাইতোম লৈববুদি মীরক্তা চঙলগনা হেন্না নুংঙাইজগনি। খুদক্কী ৱারেপ্পা নরল ময়েং তাহনবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: হরাওবা, ওজা-গুরুনা চানবীবা, ৱাখল থোকপা, য়েৎনবদা মায় পাকপা, শেন্দোং য়াম্বা নুমিৎনি। ইকায়বা নংবা য়াবা অমদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাঙাং চেকশিল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

ধনু: লম অয়াম্বদা অখঙ অহৈগী পাউতাক য়াওদনা থৌ পাঙগনু-থৌনাদি হনগনু। য়েৎনবা, মীৱা লৌবা, মরুপ থাজবনা মাঙজবতা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাখিরোই।।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

মকর: শেন্দোং য়াম্না লৈবা, ইমুং মনুংগী ৱা তাবনা হেন্না মায় পাকচবা, মীকোক থোংগদবা নুমিৎনি। তৌবতবু হন্থবা মরুপ লোয়নবদি পাঙদে।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: অনীংবা থবক পাঙগনি, য়েক্লববু ঙমজগনি, নীংহন্নদবনা অচৌবা মায় পাকপা পুরক্কনি। ফিংবনা মরুপ কায়নবা, য়েক্লবনা ওৎপিবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: থৌনা ফুদোকপতনা মায় পাক্কনি, নথক থোংবগী ৱা তাবা য়াম্না কান্নগদবা নুমিৎনি। মরুপ খনবা, ৱা ঙাংবা হৈয়ু-ঈকায় নুংশি নংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাৎনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# চেক্লা পাইখ্রবদা, পোম্বী কঙাওনখরে

থৱান

